# বরাক ওবামানা ওর্লান্দোগী এটেক্তা হিংহৌবশিংগা উনখ্রে



ওর্লান্দো, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
যু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা ওর্লান্দো গে নাইটক্লবতা থোকখিবা মেসাকরদা হিংহৌবা মীওইশিং অমসুং শিখিবা মীওই ৪৯গী মরী মতাশিংগা শগোলশেন নুমিৎতা উনখ্রে অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোংমৈগী ঈরাং লোইশিন্নবা তৌগদবনি অমসুং লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা টেররিজমগী থৌওংশিং থেংনগদবনি হায়খ্রে।

"ঐহাক্না অৱাবা তারবা ইমুংগী মীওইশিং অমসুং মমা মপাশিংবু কোনখি অমসুং মখোয়না মসিগুম্বসি করিগী থোক্লিবনো হায়না হংলকখি" হায়না প্রসিদেন্ট ওবামানা পাউমীশিংদা হায়খি। মদুগী তুংদা মহাক্না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী এটেক্তা শীজিন্নখিবগুম্বা সেমি ওটোমেটিক রাইফলগুম্বা হায় পৱার্দ খুৎলাইশিং লোগী মতুং ইন্না পায়নবা হোৎনবদা লায়না থোকহন্দনবগী খোঙথাংশিং পুথোক্লবা কোংগ্রেসতা তকশিনখি।

"টেররিষ্টশিংগা মরী লৈনৈ হায়না চিংনবা মীওইশিংবু নোংমৈ লৈবা য়াহন্দনবা সিনেটনা ভোট লৌনরগনি হায়বা তাবদা ঐহাক্না নুংঙাইবা পোকই" হায়না মহাক্না হায়খি।

তোঙান তোঙানবা ইস্লামিক মিলিটেন্ট গ্রুপশিংবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা য়ু এসতা পোকপা গনমেন অমনা য়ু এসকী মোদর্ন হিষ্টরিদা খ্বাইদগী তমথিবা মাস সুটিং পাঙথোকখিবা মতুং নুমিৎ মরিনি লৈরগা প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেননা ফ্লোরিদাগী ওর্লান্দোদা থুংলখি।

সান বর্নার্দিনো, কালিফোর্নিয়াদগীনা ন্যু টাউন কনেক্টিকট ফাওবদা লৈরিবা টাউন কয়াদগী ওইবা মাস সুটিংগী ভীক্টিমশিং অদুগী ইমুংগা উনদুনা ৱারী শানখ্রবা ওবামানা পলস নাইটক্লবতা চৎখিবা এটেক অদুগী ভীক্টিমশিংগী নীংশিং খুভমদা লৈ কৎখি।

নোংমৈ কাপ্লিঙৈ মনুংদুদা সুটর ওমার মাটিননা মহাক্কী লোয়নবীগা টেক্সট মেসেজশিং থানখি হায়রি। পুলিসনা মাটিনবু হাৎখি। মহাক ন্যু য়োর্কতা অফঘান ইম্মিগ্রেন টশিংগী ইমুং অমদা পোকখিবনি।

এটেক অদুনা লৈবাক মনুংদা অমসুং মপান্দা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা মীহাৎ মীপুংগী এটেকশিং চথুরকপা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা করম্না রেস্পোন্দ তৌগদগে হায়বগী মতাংদা অনৌবা দিবেট অমা লাকহনখি। শগোলশেন নুমিৎতা রিপব্লিকান সিনেটর জোন মেককেইননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা অমদা ওবামানা ইস্লামিক ষ্টেটনা মঙক হাইগৎলকপদা থিংবা ঙমদবনা মরম ওইরদুনা ওর্লান্দোগী এটেক অদু মহাক্না থোকহনবনি হায়না লৌবা য়াই হায়খি। মদুগী মতুং ঙাইহাক লৈরগা মেকেননা মহাক্কী ওফিসল ত্বিটর ফীদতা হায়খি মদুদি, মহাক্না হায়রিবদু ওবামাগী নেসনল সিক্যুরিটিগী ৱারেপশিংগী মতাংদনি, প্রসিদেন্ট মশাদা হায়বা নত্তে।

মাটিনবু মমাঙদা লালহৌবা ইস্লামিক গ্রুপশিংগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী এফ বি আইনা অনীরক থিজিনবা লৈখ্রবসু লোনা য়াবা মওংদা লৈখিবা সেমি ওটোমেটিক নোংমৈ অমসুং হেনগন শীজিন্নদুনা মহাক্না মাস সুটিং অদু পাঙথোকখিবনি।

চহী ২০ হেনবরোমসিদা কোংগ্রেসনা নোংমৈ কন্ট্রোল তৌনবগী লো অমত্তা পুথোকপা ঙমদবদা প্রসিদেন্ট ওবামানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

# ইজিপ্টকী কোর্টনা অল জজিরাগী ইমপ্লোয়ী ২ য়াওনা মীওই ৬ শিবগী চৈরাক পীখ্রে



কাইরো, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
ইস্লামিষ্ট প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মোর্সিনা পাল্লিঙৈগী মতমদা নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংবু কটর অমসুং দোহাদা বেজ তৌবা টি ভী নেটৱার্ক অমদা পীথোক্লম্বগীদমক্তা অল-জজিরাগী ইমপ্লোয়ী অনী য়াওনা ইজিপ্টকী কোর্ট অমনা ঙরাং মীওই তরুক শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

হৌজিক্তি বেন তৌরবা মুস্লিম ব্রদরহুদ গ্রুপকী মেম্বরশিং ওইরম্বগীদমক্তা কেস অদুগী টোপ দিফেন্দেন্ট মোর্সি অমসুং মহাক্কী তেংবাংলোয় অনীবু চহী ২৫গী মীয়াৎ পীখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় শিবগী চৈরাক ফংগদবা স্পায়িং তৌরম্বগী মরালদদি এক্কিট তৌখি। মোর্সি অমসুং মহাক্কী সেক্রেটরি অমিন অল-সিরিফি অনীমক ওফিসল দোক্যুমেন্টশিং লিক ওইহল্লম্বগীদমক্তা চহী ২৫গী অহেনবা মীয়াৎসু ফংহনখি।

মান্নবা মরালদা অল-সিরাফিগী মচানুপী কারিমাসু চহী ১৫গী মীয়াৎ পীখি। ইজিপ্টকী ইহান হানবা ফ্রী ইলেক্সনদা মায় পাকখিবা মোর্সি কুমজা ২০১৩গী জুলাই থাদা মিলিটরিনা মফমদগী চিংথুখি অমসুং মহাক অতোপ্পা কেস অমগা মরী লৈননা হান্ননা শিবগী চৈরাক লাউথোকখ্রে। শিবগী চৈরাক অমসুং অতোপ্পা চৈরাক অনী পূন্সিচুপ্পগী মীয়াৎ অমসুং চহী ২০গী মীয়াৎ অহুম্মক অসি আপিল তৌবা য়াই।

ব্রদরহুদ অদু মহাকপু মফমদগী চিংথুখিবা মতুংদা বেন তৌখি অমসুং টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখি। ব্রদরহুদকা মরী লৈনবা টি ভী চেন্নেল অমদা প্রদ্যুসর অমা ওইরিবা খালিদ বদৱানবু কোর্ট অদুনা চহী ১৫গী মীয়াৎ পীখি।

থাংজ নুমিৎকী ওর্দর খূদিংমক আপিল তৌবা য়াই। কেস অদুগী দিফেন্দেন্ট ১১গী মনুংদা মোর্সি য়াওনা তরেৎতি কষ্টদিদা লৈরিবনি।

চৈরকসিদা এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলনা শিবগী চৈরাক খুদক্তা চৎনহন্দনবা অমসুং জর্নেলিষ্টশিংগী মায়োক্তা মরম চাদবা মরালশিং শিবা তোক্লবা আপিল তৌখ্রে।

জজ অদুনা ন্যুজ প্রদ্যুসর অলা ওমার মোহম্মদ অমসুং ন্যুজ এদিটর ইব্রাহিম মোহম্মদ হিলালনি হায়না মশক তাকখিবা অল-জজিরাগী ইমপ্লোয়ী অনী অদু অশমা অল-খাতৈইবকা লোয়ননা মশা লাক্তবীদা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। খাতৈইব হায়রিবা মীওই অসি মোর্সিগী মুস্লিম ব্রদরহুদকা মরী লৈনবনি হায়না চিংনবা মিদিয়া নেটৱার্ক বশদকীদমক থবক তৌরম্বনি হায়রি।

অল-জজিরানা কোর্টকী ভার্দিক্টশিং অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং মদু ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসনগী মায়োক্তা চথুবা হালেংবা লৈতবা কেম্পেইন অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা জর্নেলিষ্টশিং অদুবু শৌগৎপীনবা আপিল তৌখি।

# বাংলাদেশতা হিন্দু লেকচররদা এটেক তৌবা নহা ১ নোংমৈনা পান্দুনা শিরে

বাঘদাদ, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
বাংলাদেশতা কা হেনবা তৌবগীদমক্তা ফাজিন্দুনা থম্বা নহা অমা ঙসি পুলিসকা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমদা শিখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি। নহা অদুনা হিন্দু লেকচরর অমা থাঙনা য়াগ দুনা ফীভম থিনা অশোক-অপন নংহনখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ঙসিগী থৌদোক্ত থোকখিবনি।

পুলিসনা হায়খি, গোলাম ফাইজুলা ফাহিম কৌবা চহী ১৯গী নহা অদু ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক্তা ফাজিন্দুনা থমখি। ওফিসরশিংনা মহাক্কী এক্সত্রিমিষ্ট মপাংশিং থিনবা মহাকপু তুরেলদা পুবদা ফার্মগী এরিয়া অমদা এটেক চথুরকখি অমসুং এটেক অদুদা মহাক শিখি।

"ঐখোয়না লিমোনগী ফার্ম অমগী মনাক নকশিল্লকখিবা মতমদা লোগী মায়োক্তা লৈবা কাঙবু অমনা পুলিসকী ভেনদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি। নোংমৈ কাপ্পবদু লোইরবা মতুংদা ফাহিম নোংমৈনা পাল্লগা শোক্লম্বা ঐখোয়না উরকখি। মহাক ঐখোয়না হোস্পিটাল অমদা পুরবা মতুংদা শিখিবনি হায়না মাদরিপুরগী পুলিস চীফ সরহার হোসাইননা এ এফ পিদা হায়খি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা মাদরিপুরদা ফাহিম অমসুং অতোপ্পা কা হেনবা তৌবশিংনি চিংনবা মীওই অনীনা মশা হিন্দু ওইবা রিপন চক্রবর্তি কৌবা চহী ৫০ শুরবা মেথমেটিক্স ওজা অমবু এটেক তৌদুনা শোকহল্লবা মতুংদা লোকল মীওইশিং ওমশিন্দুনা মহাকপু ফাখিবনি। মহাক আই এস আই এসকী গ্রুপ হিজব উট-টাহিরগী মেম্বর অমনি হায়না তুংদা পুলিসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# চেলসি ক্লিন্টনগী মচানুপীগী মৌপ্বা নুপা অমা ফংখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
যু এসকী দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেট হিলারি রোধম ক্লিন্টন অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট বিল ক্লিন্টনগী মচানুপী চেলসি ক্লিন্টননা ঙরাং মহাক অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা মার্ক মেজভিনস্কীগী অনীশুবা অঙাং পোক্লে হায়না হৌখিবা থাংজদা লাউথোকখ্রে।

এইদন ক্লিন্টন মেজভিনস্কী কৌবা অঙাং অদু থাংজ নুমিৎতা ক্লিন্টন অমসুং মহাক্কী ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্কর ওইবা মপুরোইবগী মচা ওইনা ফংজখি হায়না অঙাং নুপাদুবু ফংবদা চাউথোকচখিবা মপু-মবেনগী ৱারোল অমনা হায়খি। অঙাংদুগী মচে চার্লোট ক্লিন্টন মেজভিনস্কীনা হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ২৭তা পোকখি।

"চেলসি অমসুং মার্কনা চার্লোটকী মৌপ্বাবু তরাম্না ওকপসিদা ঐখোয় হরাওবগী পনখৈ লৈত্রে অমসুং ব্লেসিং কয়াগীদমক্তা ঐখোয়না তৌবীমল খঙবা উৎচরি" হায়না হিলারি অমসুং বিল ক্লিন্টনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।



চহী ৩৬ শুরবী চেলসি ক্লিন্টননা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা ত্বিটরদা এইদন পোকপদুগী মতাংদা লাউথোকখি। মহাক্কী স্পোক্সপার্সন অমনা হায়খি, চেলসিনা অঙাং অদু মেনহটানগী অপ্পর ইষ্ট সাইদতা লৈবা লেনোক্স হিল হোস্পিটালদা উনখিবনি।

"ঐখোয়গী ইচানুপা এইদন ক্লিন্টন মেজভিনস্কী পোক্লকপগী সেলেব্রেসন তৌবসিবা মার্ক অমসুং ঐহাক অদুক্কী মতিক হরাওবা ফাওই" হায়না ক্লিন্টননা ত্বিটরদা হায়খি।

চেলসি ক্লিন্টন অসি হান্নগী প্রসিদেন্ট বিল ক্লিন্টন অমসুং নবেম্বরগী প্রসিদেন্ট মীখলগী মীরেপ ওইরিবা হান্নগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট হিলারি ক্লিন্টনগী অমত্তা ফংজবা মচানি। চেলসি ক্লিন্টন ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈ অমসুং মহাক মালেমগী হকশেলগী ওইবা ইস্যুশিং অমসুং অতৈ অতৈ হীরমশিংদা মীৎয়েং থম্বা চেরিটি অমা ওইরিবা ক্লিন্টন ফাউন্দেসনগী ভাইস চ্যেরপার্সননি।

ক্লিন্টন অমসুং মেজভিনস্কী কুমজা ২০১০গী ওগষ্টতা লুহোংখি। মেজভিনস্কী অসি কোংগ্রেসকী হান্নগী দেমোক্রেটিক মেম্বরশিং হান্নগী পেনসিলভেনিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিব মার্জোরি মাগোর্লিজ মেজভিনস্কী অমুং হান্নগী আইওৱাগী রিপ্রজেন্টেটিব ইদ মেজভিনস্কীগী মচানুপানি।

হৌখিবা দিসেম্বরদা চেলসি ক্লিন্টননা মহাক অনীশুবা অঙাং উনরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, "মথংগী কালেনদা ইচানুপী চার্লোট অসি অচৌবা মচে অমা ওইরগনি।"

চহী অসিগী মার্চ থাদা রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেট দোনাল্ড ট্রম্পনা মশুনুপা অমনা মালেমদা খোঙদারকপদা তরাম্না ওকখি। অঙাং অদু মহাক্কী মচানুপী ইভঙ্কা অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা কারেদ কশনরগী অহুমশুবা মচানি। থিওদর জেমস কশনর কৌবা অঙাং অদু ট্রম্পকী নিপানশুবা মশুনি হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়াগী ইচাও, লেন্দস্লাইদতা মীওই ৩১ শিখ্রে, ১৯না থিবা খঙদ্রি



বাঞ্জার্নেগরা, জুন ১৯ (এজেন্সী) :
ইন্দোনেসিয়াদা নোং কন্না চুবদগী খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ঈশিং ইচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদা শিখিবা মী মশীং ৩১ য়ৌখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। হৌজিক হিংহৌবা মীওই খরা থেংনবা য়াই হায়বগী ৱাখলদা রেস্ক্যু ক্রুশিংনা ইচাও অমদি লেন্দস্লাইদশিংনা অমাঙ-অতা থোকহল্লবা খুঙ্গংশিংদা থিবা হুম্বগী থবকশিং কন্না চথুরি হায়রি।

নোং কন্না চুবদগী নেন্ট্রেল জভাদা পাক শন্না ইচাও থোকপদগী মীওই ১৯ থিবা ফংদ্রে অমসুং মফম অদুদা য়ুম লীশিং কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়রি।

মী কুংনা তাবা প্রোভিন্স অদুগী লেন্দস্লাইদ থোকনবা মফমশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ফীভম থিনা শোকখি। দ্রাইভর কয়া মখোয়গী গাড়ীশিংগা কোন্ননা লন্বীদগী হুমদোকখি অমসুং য়ুম দজন কয়া খোঙজেল য়াঙনা লাক্লিবা লৈখোম, নুঙ অমসুং ঈশিংগী ইচেলনা মাঙ-তাকহনখি।

দিজাষ্টর এজেন্সীগী স্পোক্সমেন সুতোপো পুরৱো নুগ্লোহোনা হায়খি, থিবা ফংলকখিদ্রবা মীওই তরেৎ শিরম্লগনি হায়না থাজনবগা লোয়ননা ভীক্টিমশিংগী মশীং হেনগৎলক্লে।

হৌজিক ফাওবদা অশিবা হকচাং ৩১ লৌখৎলে। মীওই ১৯ হৌজিকসু থিবা ফংদ্রি হায়না সুতোপ্পোনা এ এফ পিদা থাবা টেক্সট মেসেজ অমদা হায়খি।

লৈখোম মপৈ মরকতা মীওই তরুক শিখ্রবা বাঞ্জার্নেগরাদা মীয়াম্না মখা তানা ইচাও থোক্লকখিগনি হায়না মীপাইবা পোক্লখি।

ইমর্জেন্সী ক্রুশিংনা লন্বীদা হায়থরগা নৎত্রগা তারগা লৈরিবা উশিং অমসুং লেন্দস্লাইদশিংনা পৈশিল্লকখিবা নুঙশিং লৌথোক্লবা হোৎনখি হায়না মফম অদুদা চত্তুনা য়েংখিবা জর্নেলিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অতৈ মফম কয়াদা মীওই কয়া ইচাওগী ঈশিংনা চেন্থোকখি অমসুং মখোয়গী খুঙ্গংশিংদা লেন্দস্লাইদ থোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ময়ুমশিং অদু ফুমজিনখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অমদা থিংজিনখিবা লন্বী অমা হাংদোক্লবা নুঙশেল লৈবাক্ল চিংবা কোখোক্লবা হোৎখিবা মীওই মাপন শিখ্রে হায়রি।

"অচৌবা লেন্দস্লাইদ অমা খঙহৌদনা থোক্লক্তুনা লন্বীদা লৈবা কারশিং অমসুং মীশিংবু ফুমজিনখি। অশিবা হকচাং মাপন লৌখৎখি" হায়না সুতোপোগী ষ্টেটমেন্ট অমনা মমাঙদা ফোঙদোকখি।

**OFFICE OF THE**
**STATE HEALTH SOCIETY, NHM, MANIPUR**

N O T I C E
Imphal, the 17th June, 2016

**No. 134/CS/HR/NHM-2015(Pt-I) :** The proposed interview/viva-voce for engagement of different categories of contract staff under the State Health Society, NHM, Manipur will be conducted in the office of Medical Directorate, New Building, Opp. RIMS, Imphal, Manipur as per scheduled below -

| Sl. No. | Category | Admit Card Serial No. | Date of Interview (10 a.m. to 4:30 p.m.) |
|---|---|---|---|
| 1. | Legal Officer | 01 to 06 | 27/06/2016 |
| 2. | Dental Assistant | 01 to 05 | 27/06/2016 |
| 3. | Data Entry Operator | 01 to 92 | 27/06/2016 |
| 4. | Instructor of Hearing Impaired Children | 01 to 37 | 28/06/2016 |
| 5. | Counsellor | 01 to 78 | 28/06/2016 |
| | | 79 to 157 | 29/06/2016 |
| 6. | Data Assistant | 01 to 36 | 29/06/2016 |
| 7. | Laboratory Technician | 01 to 116 | 30/06/2016 |
| 8. | AYUSH Pharmacist | 01 to 24 | 30/06/2016 |

All the candidates are informed to appear in the interview/viva-voce in time bring all the original documents, mark sheets etc., at the interview/viva-voce.

Sd/-
**Dr. O. Ibomcha Singh**
Director (Health)/Mission Director
State Health Society, NHM, Manipur

HL-B/3142/18 to 21 Jun




# EMPLOYMENT NEWS

**INDIAN AGRICULTURAL RESEARCH INSTITUTE – IARI RECRUITMENT 2016 – YOUNG PROFESSIONAL-II VACANCY – WALK-IN-INTERVIEW 07 JULY**

**IARI Recruitment 2016**
Indian Agriculture Research Institute invites application for the post of Young Professional-II. Walk-in-Interview 07 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Young Professional-II
**No of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 25000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for IARI Recruitment :**
**Educational Qualification :** Post Graduate in Agricultural Sciences or Graduate Degree holder in Engineering/ Technology/ Natural Resource Management with good computer operation and data processing skill in Excel, Word and Power Point Software.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 21 to 45 years
**Age Relaxation :**
**For SC/ST Candidates :** 05 years
**For OBC Candidates :** 03 years
**Job Location :** New Delhi
**Selection Process :** Selection will be made on the Interview.
**How to Apply IARI Vacancy :** Interested candidates may appear for Interview along with Original & One set of self attested photocopies of documents & certificates at the time of interview.
**Venue of Interview :** Committee Room of the Water Technology Centre, ICAR-IARI, New Delhi-110012.
**Important Dates to Remember :**
**Date of Interview :** 17.06.2016 at 10:00 AM
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application form Link :** http://www.iari.res.in/files/Announcements/SH_UH_AgChem-30052016.pdf

**GURU NANAK DEV UNIVERSITY – GNDU RECRUITMENT 2016 – 103 CLERK CUM JUNIOR DATA ENTRY OPERATORS, JUNIOR TECHNICIANS & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 05 JULY**
**GNDU RECRUITMENT 2016**
Guru Nanak Dev University invites Application for the post of 103 Clerk Cum Junior Data Entry Operators, Junior Technicians & Various Vacancies. Apply Online before 05 July 2016.
**Advt. No. :** 04/2016
**Job Details :**
**Post Name :** Clerk Cum Junior Data Entry Operators
**No. of Vacancy :** 25 Posts
**Pay Scale :** Rs. 10300-34800/-
**Grade Pay :** Rs.3200/-
**Post Name :** Junior Technicians
**No. of Vacancy :** 49 Posts
**Pay Scale :** Rs. 10300-34800/-
**Grade Pay :** Rs.3200/-
**Eligibility Criteria for GNDU Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Clerk Cum Junior DEO :** BCA/B.Sc(IT)/B.Sc. Computer Science/ B.Sc. Economics or B.A/B.Sc. or any other examination equivalent thereto, with Computer Science as an elective subject, with atleast 50% marks or Graduate with 50% marks and PGDCA from GNDU or equivalent thereto.
**For Junior Technicians :** B.Sc.in relevant Discipline / Bachelor of Design with atleast 50% marks from a recognized Institute/ University or BCA/B.Sc.(IT)/B.Sc Computer Science/B.Sc. Economics or equivalent thereto or BA/B.Sc.with Computer Science as an elective Subject, with atleast 50% marks or Post Graduate/Graduate with 50% marks and PGDCA from GNDU or equivalent thereof or BA with subject of Psychology or Master in Psychology with 2nd Division.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As GNDU Rules
**Job Location :** Amritsar (Punjab)
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 800/- & SC/ST/ PWD Candidates Have to Pay Rs.400/- through Challan.
**How to Apply GNDU Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the website http://www.gndu.ac.in from 21.06.2016 to 05.07.2016 & send the Hardcopy along with relevant document to the Registrar, Guru Nanak Dev University, Amritsar-143005, Punjab on or before 18.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 21.06.2016
**Last Date For Submission of Online Application :** 05.07.2016
**Last Date to Generate Bank Slip :** 05.07.2016
**Last Date For Submission of Fee in Bank :** 07.07.2016
**Last Date to Print Application Form :** 11.07.2016
**Last Date For Receipt of Application :** 18.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.gndu.ac.in/gndu2014/Gndu_Pdf/adv_4_2016.pdf

**TATA MEMORIAL HOSPITAL – TMC RECRUITMENT 2016 – 157 NURSE, SCIENTIFIC ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 08 JULY**
**TMC Recruitment 2016**
Tata Memorial Centre invites application for the post of 157 Nurse, Scientific Assistant & Various Vacancies. Apply Online before 08 July 2016.
**Advt. No. :** 59/2016
**Job Details :**
**Post Name :** Nurse
**No. of Vacancy :** 137 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs.4600
**Post Name :** Scientific Assistant
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs.4200/-
**Eligibility Criteria for TMC Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Nurse :** General Nursing & Midwifery plus Diploma in Oncology with oncology experience OR Basic or Post Basic B.Sc.(Nursing) with oncology experience. Candidates should be eligible to register with Maharashtra Nursing Council.
**For Scientific Assistant :** B.Sc.(Microbiology/Botany / Zoology / Chemistry / Applied Biology / Biotechnology ) with 50% marks and D.M.L.T. (Diploma in Medical Lab. Technology) from a Government recognized Institute.
**Nationality :** Indian
**Age Limits :** 30 years As on 08.07.2016
**Job Location :** Maharashtra
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 300/- Debit Card / Credit Card. No fee for SC/ST/PWD/Women Candidates are exempted from paying application fees.
**How to Apply TMC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://tmc.gov.in on or before 08.07.2016 & Send the Printout along with attested copies of certificate as a proof of date of birth, qualification, experience, age relaxation to the H.R.D. Department, Tata Memorial Hospital, Parel, Mumbai – 400 012 on or Before 15.07.2016
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Online Application :** 08.07.2016
**Last Date for Submission of Hardcopy of Online Application :** 15.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** https://tmc.gov.in/tmh/index.php/careers/1203-walk-in-interview-advt-no-59-2016-al-08-07-2016
**Apply Online :** https://tmc.gov.in/m_nonmed